## ওরিষ্যানা জুনিয়র মেন্স হোক্কী ৱর্ল্ড কপ যূম্বু ওইরগনি



ভুবনেশ্বর, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): ওরিষ্যাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পাটনাইকনা ঙসি লাউথোকখিবা অমদা চহী অসিগী নবেম্বর ২৪দগী দিসেম্বর ৫ ফাওবা ষ্টেট অদুগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোক্কদবা নুপাগী জুনিয়র হোক্কী ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্ট ২০২১গী যূম্বু ওইরগনি হায়খ্রে।

ঙসি ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোক্লদুনা হোক্কী ইন্দিয়ানা ওরিষ্যা লৈঙাক্তা নুপাগী জুনিয়র হোক্কী ৱর্ল্ড কপ যূম্বু ওইনবগীদমক মতেং পাংবীয়ু হায়রকখিবা অদুদা তরাম্না ওকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা শুপ্নগী থা ২ খক্তমক ঙাইরবা মতম অসিদা হোক্কী ইন্দিয়ানা পুখৎলকখিবা ৱারোল অদুবু কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক লৈরিঙৈ মতম অসিদা অঙম্বা মতেং পীদুনা লৈবাক অসিগী মায় ঙাক্নবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

ওরিষ্যাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পাটনাইকনা ঙসি ভুবনেশ্বরদা নবেম্বর ২৪দগী হৌগদৌরিবা হোক্কী মেন্স জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ ২০২১গী লোগো অমসুং ট্রোফিগী মায়খুম অদু ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা নরিন্দর বট্রাগা লোয়নননা মীয়ামদা হাংদোকখি। ইন্দিয়াগী হোক্কীগী ওইনা তুংদা লাক্কদবা চহী খরা অসিদা য়াম্না ফজবা খোঙথাং কয়া লৈরি। কুমজা ২০২৩গী জন্যুৱারী থাদা ইন্দিয়ানা হোক্কী ৱর্ল্ড কপ যূম্বু ওইগদৌরিবা অসিনা লৈবাক অসিদা হোক্কীগী মশান্না অসি হেন্না চাউখৎলগনি হায়খি।

## ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা ওক্টোবরদা মীরমদা চৎতুনা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচশিং শান্নরগনি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগা এসিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা অমা ওইরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়া কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী শেম শাবা ওইনা লৈবাক অসিগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা হৌজিক-হৌজিক ঝরখন্দ ষ্টেটকী কোনুং জমশেদপুরদা ট্রেনিং কেম্প চত্থরিবা অসিগী মতুংদা এক্সপোজর ফংনবগীদমক মীরমদা চৎতুনা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচশিং শান্নরগনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিগী হেদ কোচ ওইরিবা থোমাস দেনরবিনা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপকী শেম শানবগীদমক্তা য়ামদ্রবদা ইন্টরনেসনল মেটচ ৯দগী তাদনা শান্নবা পান্নবগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখিবনি। এসিয়াগী ওইবা নুপীগী ফুটবোলদা খ্বাইদগী থাক ৱাংই হায়না লৌনরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ অসিগী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা থা অসিগী ৩০দা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ)দা চৎতুনা লৈবাক অদুগা ফ্রেন্দলি মেটচ অমা শান্নরবা মতুং টুনিসিয়াগসু মফম অদুমক্তদা মেটচ অমা শান্নগদৌরি।

য়ু এ ঈদা ফ্রেন্দলি মেটচ অনী শান্নরবা মতুং ইন্দিয়াগী টিম অদুনা মখা তানা বাহরেনদা চৎতুনা লৈবাক অদুগী নুপীগী ফুটবোল টিমগা চাইনিজ টাইপৈগী টিমগা মফম অদুমক্তদা অতোপ্পা ফ্রেন্দলি মেটচ অনীসু শান্নগনি হায়রি।

য়ু এ ঈ অমসুং বাহরেনদা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচ মরি শান্নরবা মতুং টিম অসিনা স্বিদেনদা লৈবাক অদুগী দমালস্বেনকান লীগ টিমশিংগা মেটচ অনী শান্নবগী পোরমসু য়াৎপা লোইশিনখি। অদুবু স্বিদেনগী খোঙচৎ অদুমরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা



ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লাক্কদৌরিবা টিম অমদি ওফিসলশিং অদুবু কোভিদকী ওইবা অথিংবশিং অদু কোমথোকপগী মতাংদা য়ানরবা মতুংদা ওইগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইরিবা থোমাস দেনরবিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, কোভিদ-১৯গী পেন্দমিকনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওইশিং চঙবা য়াদবা লৈবাক কয়া অমা লৈরিবনি। হৌজিক-হৌজিক কোমথোকপা কয়া অমা লাকখ্রবসু স্বিদেন লৈবাক্নদি কোমথোক্লে হায়বগী ওফিসল ওইবা ৱারোল ফোঙদোকপা লৈত্রি।

মহাক্না মখা তারদুনা, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা শান্নরোয়শিং অদুনা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচশিং শান্নবা ফংনবগীদমক্তা লৌখৎলক্লিবশিং অদুবু অফবা খোঙথাং অমনি হায়খি। মহাক্কী ৱারোল অদুদা থা ১ রোম ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র ফুটবোল টিম অসিনা জমদেশপুরদা ট্রেনিং কেম্প পাঙথোক্তুনা লৈরিবনি। মদুগী মখা তারকপদা ট্রেনিং ফংলবা শান্নরোয়শিং অদুনা মখোয়-মখোয়গী মশান্নশিং অদু অতোপ্পা অনৌবা টিমশিংগা লম্বা তৌনদুনা ট্রেনিং ফংখিবা অদুদা শোথহৌবা মফমশিং অদু খঙদোক্লনবা য়াম্না তঙাইফদনা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচশিং অদু শান্নবা তারকপনি।

কোচ অদুনা মখা তাখিবদা, য়ু এ ঈ অমসুং বাহরেনদা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ ৪ অদুগী মতুংদা টিম অদুগী পাঙ্গল অমদি অশোনবা মফমশিং অদু খঙদোক্লবা মতুং হেন্না ফগৎনবগীদমক্তা মখা তানা শান্নরোয়শিং অদুগা টেক্নিকেলগী ওইবা হীরমশিং অদুদা ঔরাইমিন্নবা অমা চঙই হায়খি। মহাক্না ঝরখন্দ লৈঙাকপু কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মনুংদা শান্নরোয়শিং অদুবু তেক্ত-কায়দনা শান্নবা য়াহনখিবা অদুগীমক্তসু থাগৎখি।

## এফ সী গোৱানা দেল্লী এফ সী থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): কোলকাটানা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ১৩০রক শুবা দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচ অমদা এফ সী গোৱানা দেল্লী এফ সীবু পাঙ্গল ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি কোলকাটাদা লৈবা কল্যানি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু এফ সী গোৱাগী টিমনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা দেল্লী এফ সীবু খূদুম চন্না শান্নবা ঙম্বগী শক্তম অদু মেটচ লোইশিল্লকপদা লৈখিবা স্কোর লাইন অদুনা তাকখি। শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী দেবেন্দ্র মুর্গাওকরনা অহানবা পাঙ্গল অদু চনখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী টুর্নামেন্ট অদুদা মরিরকশুবা পাঙ্গল অদু ওইহনখি।

ইকুই কুইদনা এটেক মখা চত্থবা ঙমখিবা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী মহমদ নেমিলনা ১৮শুবা মিনট অদুদা এফ সী গোৱাগী অনীশুবা পাঙ্গল অদু চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না মায় পাকপগী লম্বেলদা নীংথিনা পুশিনবা হৌখি। দেল্লী এফ সীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী লোইরমদাই ফাওবা শোথখিবা পাঙ্গল ২ হন্দোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। মখোয়গী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা এটেক



তৌদুনা পাঙ্গল চনবগী খূদোংচাবা অদু এফ সী গোৱাগী দিফেন্দরশিং অদুনা নীংথিনা থিংদুনা লাকখি। অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী ব্রেন্দন ফর্নান্দেজনা দেল্লগী গোলকিপর লভপ্রিটপু মায়থীবা পীরগা লোব তৌখিবা বোল অদুনা অহুমশুবা পাঙ্গল ওইখি। অনীশুবা হাফতা দেল্লী এফ সীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। টিম অদুগী নিখিল মালিনা ৮২ শুবা মিনটতা গোৱাগী কিপর ওইরিবা মোইরাংথেম ধীরজপু মায়থীবা পীরগা পাঙ্গল ১ হন্দোকপা ঙমখি। মখা তারকপদা গোৱাগী লিয়ান্দর কুনহা অমদি অলেকজেন্দর রোমারিওনা টিম অদুগী ৪শুবা অমদি ৫শুবা পাঙ্গল চল্লগা সেমীফাইনেল য়ৌখি।

## এফ সী লমজাওনা ৱাই ও এস সী খুরাইবু গ্রুপ দিগী মেটচতা পাঙ্গল ১০-৬তা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী চিংঙারেল টেজপুরদা লৈবা পোলোই ফুটবোল গ্রাউন্দদা কেএস ঐচ ওংবী চন্দ্রলেখা অমদি ইমুং-মনুংনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্লিবা অহানবা ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিয়ল ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা এফ সী লমজাওনা ৱাই ও এস সী খুরাইবু পাঙ্গল ১০-৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপদা এফ সী লমজাওনা ঙন্না পাঙ্গল ৪ চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা এফ সী লমজাওগী এ সৈত্যমনা অহানবা পাঙ্গল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী মতুং শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা টিমমেট দল্লিয়ু বিপিনচন্দ্রনা অনীশুবা পাঙ্গল অদু চল্লগা থংনবা মিনটতা এম সুশিলনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঙ্গল চনখি। মহাক্কী মতুং ইকান কান্নদনা মেটচ অদুগী অনীশুবা পাঙ্গল চনবা ঙমখিবা বিপিনচন্দ্রনা এফ সী লমজাওগী মরিশুবা পাঙ্গল অদু চনখি।

ৱাই ও এস সী খুরাই পাঙ্গল ৪ শোথরবা মতুং সজান খাননা ১৪শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি অমা পাঙ্গল ওন্থোক্লগা টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোকখি। পাঙ্গল ৪-১দা মাঙজিল থাবা ঙল্লবা এফ সী লমজাওগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা এ সৈত্যমনা অহানবা পাঙ্গল চনখ্রবা মতুং মিনট ২০ অমসুং ২১শুবদা থংন-থংননা পাঙ্গল অনী চনশিল্লগা হেটট্রিক ফংখি। পাঙ্গল ১-৫দা শোথরবা ৱাই ও এস সী খুরাইগী মায়কৈদগী খোঙজেল য়াঙখৎলক্তুনা পাঙ্গল ৩ চনশিনখি। ২৪শুবা মিনটতা খামসোক রহিমনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঙ্গল চল্লবা মতুং ২৬শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় মহমদ সবিটনা অহুমশুবা পাঙ্গল অদু চনখি। অদুগা শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা ৱাই ও এস সী খুরাইগী অতোপ্পা শান্নরোয় সোইবম নোবেলনা ৪শুবা পাঙ্গল অদু চল্লগা পাঙ্গল ৪-৬তা শোথদুনা লৈখি।

এফসী লমজাওগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা মখা তানা ফজবা হেল্লকপা মরম্না ৱাই ও এস সী খুরাইগী নাকলদা এল কিষননা ৩৫ অমসুং ৩৬ শুবা মিনটতা পাঙ্গল ২ অমগা হাপচিনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ৱাই ও এস সী খুরাইনা ৩৭ অমসুং ৩৮শুবা মিনটতা সজান খান অমদি খামি ভাসুমনা পাঙ্গল অমমম্ চন্দুনা পাঙ্গল ৮-৬তা এফসী লমজাওনা মখা তানা মাঙজিল থাখি।

এফ সী লমজাওগী পাঙ্গল ২ চনবা ঙমখ্রবা এল কিষননা মেটচকী ৩৯ অমসুং ৪০ শুবা মিনটতা পাঙ্গল ২ চল্লগা হেটট্রিক লাম্থোক্তুনা পূন্না পাঙ্গল ৪ শুহনখিবা অদুনা ঙসিগী মেটচ অদুদা মখোয়না ৱাই ও এস সী খুরাইবু পাঙ্গল ১০-৬তা থোইখি।

মেটচ অদুদা লম্থোইবা অমসুং এন ইবুংঙোনা রেফরি ওইখি।

## মণিপুরগী টিম প্রি ক্বার্টর য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কে আই আই দি য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ২২দগী চত্থরকপা ৪০শুবা নেসনল জুনিয়র খো-খো টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টিম প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে হায়না মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি এম হিমটনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ঙসি মণিপুরগী নুপামচাগী টিম অদুনা নাগালেন্দবু মায়থীবা পীখিবনি। অদুগা নুপীমচাগী টিমনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী টিমবু থোইদুনা হয়েং প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি।

## ট্রায়ল কম সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): গোৱানা যূম্বু ওইদুনা মথং থাগী ২৮দগী ৩১ ফাওবা মফম অদুগী পেদেম মাপুসাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ আই টি দল্লিয়ু পি এফকী মখাদা হৌগদৌরিবা ৯শুবা নেসনল ট্রেদিসনেল রেষ্টলিং অমসুং পনকাসিওন চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম খন্ননবা ট্রায়ল কম সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ট্রেদিসনেল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ ইবোহলনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা মণিপুরগী টিম খন্ননবা মঙাশুবা ষ্টেট লেভেল বেল্ট রেষ্টলিং অমসুং পনকাসিওন চেম্পিয়নশিপ ২০২১ কম ট্রায়ল সেলেক্সন মথং থাগী ১ অমসুং ২দা হৈরোক পার্ট থ্রীদা লৈবা তৌরাংবম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি। শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা শক্তাক চে অমদি পাস্পোর্ট ফোটো কোপি অমমম্সু লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

## টোকিও ওলিম্পিক্সতা ফজখ্রবা মতুং মখা তানা লৈরিবা মেটচশিংগীদমক শেম শানিংই : সিমরঞ্জিৎ



ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): মমাংগী থাদা জপাননা যূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা চহী ৪০গী মতুংদা ওলিম্পিককী ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংদুনা ফজবা ঙমখ্রবা মতুং মখা তাবা লাক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংদা হেন্না শেম শাবা ঙম্বা পাম্মী হায়না ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা টিম অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী মিদ ফিল্ডর সিমরঞ্জিৎ সিংহনা ফোঙদোরকখ্রে।

হৌজিক-হৌজিক হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপাগী টিমগী ওইবা নেসনল কেম্প হৌগদৌরিবা অসিদা শরুক য়াদুনা হান্না লৈখিবা ফীভমদগী হেন্না ফগৎনা শান্ননবগীদমক্তা শেম শাদুনা লাক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট কয়াদা অমদি মরুওইনা এসিয়ন গেমসতা মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক হোৎনবা পাম্মী হায়না সিমরঞ্জিৎ সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংনবগী মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা জর্মনিবু মায়থীবা পীখিবা অদুদা সিমরঞ্জিৎ সিংহনা য়াম্না মরুওইবা পাঙ্গল ২ চনবা ঙমখি। মহাক্কী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াদুনা মেদল ফংবগী মেটচ অদুদা পাঙ্গল ২ চনবা ঙমখিবা অদুগীদমক নুংঙাইবা ফাওখি। নেসনল হোক্কী কেম্পতা শরুক য়াদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা উৎখিবা পর্ফোর্মেন্সশিং অদুদা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা অশোনবা লৈখিবা মফমশিং অদু মেনখৎতুনা অহেনবা মওংদা ফগৎনবা হোৎননিংই হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ২০১৬তা ইন্দিয়াগী সিটি লক্ষ্নৌনা যূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা জুনিয়র মেন্স ৱর্ল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়ানা টাইটল লৌখিবা অদুদসু সিমরঞ্জিৎ সিংহ শরুক য়াখি।

## দল্লিয়ু টি টি ষ্টার কন্টেন্দরদা ইন্দিয়াগী চেলেঞ্জ লোইশিনখ্রে

দোহা, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): কটারনা যূম্বু ওইরগা দোহাদা লৈবা লুসেল স্পোর্টস এরেনাদা পাঙথোকপা দল্লিয়ু টি টি (ৱর্ল্ড টেবল টেন্নিস) ষ্টার কন্টেন্দর টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী চেলেঞ্জ লোইশিনখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ১৩২দা লৈরিবী বেঙ্গলুরুদগী হৌখিবী অর্চনা কমাদনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ১৫ হোং কোংগী দু হোই কেমগী মখূৎতা ১১-৯, ১১-১৩, ৮-১১, ৬-১১দা মায়থীহৌখিবনি। টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা ঙন্না মায়থীবা নংখ্রবা মতুং অর্চনা কমাদতা মীৎয়েং থমখিবা অদু ঙসি লোইশিনখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী অতোপ্পা শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ১৪৩ স্রিজা অকুলা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৪৭তা লৈরিবা ব্রাজিলগী ব্রুনা টাকাহাসিগী মখূৎতা ৭-১১, ৪-১১, ১০-১২দা মায়থীবা নংখি। স্রিজানা হৌরকপদা মঙোন্দগী থাক হেন্না ৱাংবা শান্নরোয় অনী মায়থীবা পীদুনা লাকখিবনি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মিক্স দবলসকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী অর্চনা কমাদ অমদি মানব থাকর হোং কোংগী ৱোং চুং তিং অমসুং দু হোই কেমগী মখূৎতা ৮-১১, ৭-১১, ৮-১১দা মায়থীবা নংখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৩৯ গনসেখরন সাথিয়াননা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৪৮ এন্দ্রি কাসিনাগী মখূৎতা ঙরাং রাউন্দ ওফ ৩২গী মেটচ অমদা ৬-১১, ৬-১১, ৭-১১দা মায়থীবা নংখি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী এন্থোনি অমলরাজ অমসুং গনসেখরন সাথিয়ান অহানবা রাউন্দদা জপানগী প্যের কাজুহিরো য়োস্মুরা অমদি য়ুটো কিজুকুরিগী মখূৎতা মায়থীহৌবনি।

## বর্সেলোনা দ্রো চৎখিবদগী ৭শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): স্পেনগী ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা বর্সেলোনাগী টিম ঙসি অঙনবদা কাদিজকা শান্নবদা পাঙ্গল চন্নদনা দ্রো চৎখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৭শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী মাংওইননা বর্সেলোনানা টিম অদুগী ওইবা ৪শুবা রাউন্দ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৮ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, কাদিজকী টিম মখোয়গী মঙাশুবা মেটচ লোইশিনবদা পোইন্ট ৫ ফংলগা ১৬শুবা পোজিসনদা লৈখি।

বর্সেলোনাগী ওইনা টিম অদুগী ষ্টার প্লেয়র লিওনেল মেসি য়াওখিদববদগী টিম অদুগী পর্ফোর্মেন্সতা অহোংবা খরা লাকখিবা অদুনা লালিগাগী ওইনা মেটচ মরি শান্নবদা ২ মায় পাক্লগা ২ দ্রো চৎতুনা লৈরমখি। ঙসি অঙনবগী মেটচ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঙ্গল অমত্তা চনবা ঙমদনা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নরগা লৈখিবনি। বর্সেলোনা মেটচ ৫ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা হাইগৎখি।

লালিগাগী ওইনা হৌজিক-হৌজিক মমাংদা চেম্পিয়ন কয়ারক ওইবা ঙমখ্রবা রিয়াল মাদ্রিদনা মেটচ ৬ শান্নবদা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা টেবলগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অমরোমদা, এটলেটিকো মাদ্রিদ পোইন্ট ১৪ ফংলগা ২শুবদা লৈরি।

## রোমা মায় পাক্তুনা টেবলগী মরিশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে

রোম, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): টি অব্রাহমনা চনখিবা পাঙ্গলনা রোমানা উদিনেজপু ১-০দা থোইদুনা ইটালিদা পাঙথোকপা সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মঙাশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

রোমানা যূম্বু ওইরগা শান্নখিবা সেরি এগী মঙাশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় লানশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঙ্গল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি।

৩৬শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোয় আর কালাফিওরিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট টি অব্রাহমনা পাঙ্গল চন্দুনা উদিনেজপু মাঙজিল থাদুনা লৈখি। মহাক্কী পাঙ্গল অদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা উদিনেজকী টিমনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৪ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৭ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখিবা অদুদগী হেনগৎননবা শান্নরকপনি। হাফ অদুগী অপীবা মিনট ৪৫ লোইশিল্লক্লবা মতুং ইঞ্জুরি টাইমগী মতমসু লৌরবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঙ্গল চন্নবা ঙম্নবা হোৎনখিবশিং অদু অরেম্বা তাখিবদগী রোমানা ১-০দা থোইরগা মেটচ ৫দা পোইন্ট ১২ ফংদুনা নাপোলি, ইন্টর মিলান অমসুং এ সী মিলানগী মথংদা মেটচ ৪ মায় পাক্লগা ১ মায়থীদুনা ৪শুবা পোজিসনদা হান্না লৈরম্বা ৯শুবা পোজিসনদগী হাইগৎপা ঙমখি।

## ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৫দা থোইদুনা মেটচ ৩গী সেরিজ লৌখ্রে

মেকে, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ানা যূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী নুপীগী টিমনা ইন্দিয়াগী টিমগা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অহুমগী ৱান দে সেরিজকী অনীশুবা মেটচ অদু ৱিকেট ৫দা থোইদুনা সেরিজ লৌখ্রে।

মেটচ অদু ইন্দিয়ানা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নরকপদা অপীবা ওভর ৫০দা বেটসমেন ৭ আউট ওইরগা রন ২৭৪ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী স্মৃতি মনধানানা রন ৮৬ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স অদু ওইখি। অদুগা রিচা ঘোশনা রন ৪৪ লৌরগা ইন্দিয়াগী অপূনবা স্কোর অদুবু চাওনা মতেং পাংখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী বোলর টালিয়া মেগ্রাথনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন অহুম আউট তাহন্দুনা টিম অদুগী বোলরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোলর ওইখি। মহাক্কী অতোপ্পা টিমমেট সোফি মোলিন্যুনা ৱিকেট ২ অমসুং দার্শি ব্রাউননা ৱিকেট ১ লৌরগা ইন্দিয়াগী অপূনবা স্কোর অদু ২৭৪দগী হেলহনখিদবনি।

মায় পাক্লনবা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমনা রন ২৭৫ লৌনবা হোৎনরকপা অদু ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নরবসু বেটসমেন বেমুনিনা আউট ওইদনা রন ১২৫ লৌখিবা অমদি ওল রাউন্দর টালিয়া মেগ্রাথনা রন ৭৪ লৌখিবা অদুনা য়াম্না অচৌবা থৌদাং ওইখি।

ইন্দিয়ানা বোলিং তৌরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেনশিং অদুনা মায় পাক্লনবা তান্নরকখিবা রন অদু অরোইবা বোল ফাওবা লম্বা তৌনখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা ২৫শুবা ওভরদগী শান্নরকখিবা ইন্নিংসশিং অদু ইন্দিয়াগী বোলরশিং অদুবু মখোয়না খূদুম চন্দুনা শান্নবা ঙল্লকখি। অরোইবা ওভরদা ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ১৩ লৌরগা নুপীগী ক্রিকেট পুৱারীদা অহুম্লকশুবা খ্বাইদগী রন য়াম্না তান্নরগা মায় পাকপা অদু ঙমখি।

EMPLOYMENT NEWS

- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst. (Graduate)-2
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst. (Graduate), Car wash Helper-2, Driver
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-1, Grade IV-1, Security - 2
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Driver - 2
- KAKCHING BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2

N.B. : Branch খুদিংমক্কী য়াম্না নক্না লৈবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীজগনি।

Pl. Contact : L.G. MOTORS

KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR

CONTACT No. :- 9774495994

HL-B/7056/28/8-3/10 (alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 239**

**Svetlov, Dmitry - Savitskiy, Sergey**
**14th Ugra Governor's Cup Khanty-Mansiysk RUS, 2018.11.23**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.Nf3 c5 | 2.c4 Nc6 | 3.b3 Nf6 | 4.Bb2 d5 | 5.cxd5 Nxd5 |
| 6.d3 f6 | 7.e3 e5 | 8.Be2 Be7 | 9.O-O O-O | 10.Nbd2 Nc7 |
| 11.a3 Be6 | 12.Qc2 Rc8 | 13.Rac1 Qd7 | 14.Rfd1 Rfd8 | 15.Ne4 Na6 |
| 16.Kh1 Qe8 | 17.Rb1 Qf7 | 18.Ba1 b5 | 19.Rg1 Na5 | 20.Ned2 Nb8 |
| 21.g4 c4 | 22.dxc4 bxc4 | 23.b4 c3 | 24.Bxc3 Nc4 | 25.Nxc4 Bxc4 |
| 26.Rbc1 Nd7 | 27.Bxc4 Qxc4 | 28.g5 fxg5 | 29.Qf5 g6 | 30.Qh3 g4 |
| 31.Qxg4 Qxg4 | 32.Rxg4 Nf6 | 33.Rgg1 Ne4 | 34.Bxe5 Nxf2+ | 35.Kg2 Nd3 |
| 36.Rxc8 Rxc8 | 37.Bd4 Rc2+ | 38.Kh3 a6 | 39.Ne5 Nxe5 | 40.Bxe5 Ra2 |
| 41.Ra1 Re2 | 42.Bd4 Bd6 | 43.Kg4 Bxh2 | 44.a4 Kf7 | 45.b5 axb5 |
| 46.a5 Rf2 | 47.a6 h5+ | 48.Kg5 Bg3 | 49.a7... | |

**QUESTION :**

**Black to Win**

**Puzzle 238 Ans. :**

37. ...Nxf3+ 38.gxf3 Nd3+ The black knight clears the way for Black's queen to the square f2. 39. Qxd3 Qf2+ 40. Kd1 Qg1+ 41.Qf1 Qxf1# Lawnmower mate
37. ...Nxf3+ 38.Bxf3 Nd3+ 39.Qxd3 Qf2+
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com